হঁইখ্যা ইরৈবাক

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০, ২০২০

# চীঞ্জাক পুথোকপদা খোয়জংশি

তাইবংপানবদা হিংলিবা জিবশিংগীদি চীঞ্জাক হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবনি। মালেমসিদা হিংদুনা লৈরম্বা থব্রায় পানবা জিবা কয়া মালেমসিদগী খোঙ্গুল মৃৎখ্রিবগী মরমশিংগী মনুংদা মচীঞ্জাক ফংলক্তবা হায়বসিসু অমনি। মীওইবা খুন্নাই অসিসু অদু মঙাই ঙসি মালেমসিদা চাউখৎলবনি হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা চান-থক্লবগী হিরমদা খুয়ৌনবদগী ৱারু-নুংলু ওইবা য়াউরগ্লোই। মতম অমা মনিপুরনা আর্ট এণ্ড কলচর অমদি লাইনিংগী লমদা মশক-মচু থোক্লা লৈরম্বা মতমদুগী খুন্নাই পূন্সিরোল হনগৎনা য়েঙলুবদা লমদম অসিদা চানবা চীঞ্জাক্কী অৱাবা লৈরম্মী হায়বগী ৱারোল ঐখোয়গী পুৱারীশিংগী লমাইদা থেঙনরোই। অদুবু লৈবাক অসিদসু নেচরেল কেলামিটিনচিংবা থোকপদগী চাক্তাং-ফিদাংবা থোকখিদবদি নত্তে। অমবু ওইরো অমবু ওইরো মনিপুরনি বৃটিশকী মখুত্তগী নিংতম্বা ফংলবা মতুং অমদি ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইনা লৌশিনখ্রবা মতুংদগীদি মনিপুর লমদমসিদা থোকচবা পোত্থোকশিংনা চাখোঙ থুম্না চাবা ফংলত্তদুনা লাকখিবনি। মদুদগীনা হৌজিক ফাউবসিদা মীশিংদি হেনগৎপা য়াবা চাংদগী থাজনিংঙাই ওইদবা মওংদা (লন্নানবা মীতোপ য়াউনা) হেনগৎলক্লি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ষ্টেট অসিদা পুথোকচবা পোত্থোক্লা ষ্টেটশিদা লৈরিবা মীয়ামগী পুকচাক হুনবা কোন্নদ্রে। অসুম্না মতম অমদা অয়েনচেং হায়না খংনরম্বা মপান্দগী পুশিল্লকপা চেং চাবা হৈনদে হায়বা ফাউবা য়াউরম্বদো ঙসিদি মসিখক্ত চাদুনা হিংনবা কোঙ্গাই অমা য়াওরক্লবনি। অদুবু হৌজিক ফাউবশিংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী চীঞ্জাক পোত্থোক হেন্দোক থোইদোক্লা কোন্ননবা খূজিল থৌরাং অমা ফাউবা মায় পাকপা ঙমদ্রি হায়বা তাই।

মনিপুরগী মরু ওইবা লৌউ-শিংউবগী পোত্থোক অসি ফৌনা ওইরি। চীংদা চীংলৌ অমদি তম্পাক্তা তমলৌ উদুনা কুম অমদা লৌরোক অমুক্তং লোক্তুনতা লাক্লি। মসিসু অমুক অঙ্গৈং-অশা অমদি নোংজুগী ফিভমদা অহোঙবা কয়া অমা লাকপদগী কুম কাঙবা অমদি ঈচাউ থোক্তুনা মপুঙ ওইবা লৌরোক্তা ফৌথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমখিদবদি থেনখাঙ কয়ারক্তা থোকখ্রে। কুমসিদি কুম ময়ায় ওইরপ ফরেদা হায়নরিবনি। অদুবু ফৌপালনা মশা তাশিল্লকপা মতম অমদি তাশিল্লমদাই শ্বাইদা পাক্তক ইতক্লনা ৱাহিক হায়না খংনবা তীল মখল অমা তাশিল্লক্তুনা লৌকোল কয়াগী লৌমীশিং মীপাই থবাইনরিবসিনি। অসুম্না মতম, পাঙ্গল অমদি শেল ফনা য়াম্না থাথদুনা হোৎনরবসু ফৌথোক্লক্কদবা ফৌথোক্লা মহুৎ হনজিনবদি তোক্লগা মহুৎ মাঙদৌরিব্রা তম্বা ঙম্নদ্রি। মসিনদি ষ্টেট অসিগী মপুঙ ওইরিবা চীঞ্জাক মথং চহীদসু মখা তানা মীপাল অদুম্মক তাঙখিগদৌরি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ঐখোয়গী লৌমীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি করিদগীনো অমদি কমদৌননো হায়বসি লৈঙাক্লা অমদি মরি লৈনবা লোয়শঙগী অখঙ-অহৈশিংনা মীৎয়েং চঙফম থোক্লবনি। লৌউ-শিংউবনা মপুং ওইবা লমদম্নি হায়রগা হৌজিক ফাউবশিদা লৌউ-শিংউবদা মথৌ তাবা মচাকশিং ঈশিংগীদমক ঈথৈ লৌখোংনচিংবা শেম্বদা মসিমখে মায় পাক্লে হায়দুনা মাইল ষ্টোন অমা ফাউবা য়ুংবা ঙমদ্রিবসি লৈঙাক্কী অফবা খুদম নত্তে। লৌউ-শিংবগী অনৌবা টেক্নোলোজিদি খূৎলৈ থুনা পুথোক্লকপসু মঙম্বা ময়াই হায়ববু লৌফমদা দরকার ওইবা ঈশিং মতম চানা অমদি মতিক চানা য়ৌহন্নবা হোৎনবদা অহকপা মীৎয়েং চংদবসিদি চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদনবা হোৎনবগী খুদম ওইরোই। হিরম অশোমদা অখন্নবা লানজং মথৌ তারি।

## অশৈবশিংগী

### লৈশাং তম্লে

চীংশু কৌবী উপাল উশা উরক্ত,
মেরা কৌবী থানা লাকপদা,
মপুগী শোয়ফদ্র য়াথংনি তাক্লদুনা,
লৈশাং তম্লে ক্বাক্লে লৈরাং মখোয়সু।
লৈরাং নংবু য়েঙজরগা,
নিঙোলগী পূক্লিং মকা লাম্মীদো,
মপু মাগী মকাদা লৈরাং নংবু কৎচরগা,
ওইজগে খোয়দাজবা নীঙোলগী নাচোম।
লৈরাং লৈশক-লৈচু উবদা,
নিঙোলগী পূক্লিং শুস্কৎলি,
লৈরাং নংবু নাপ্পদা থেৎচরগা,
মপুগী থৌদাং পাঙথোকপা ঙমজগে।
কাউফদ্রবা লৈরাং নংবু শকহেনবী,
খোইদাজবী লৈরাং কোলোয়নগে ঐহাক্লা
মপুগী মকাদা থৌগনজবনা নহাকপু,
পাঙজদবীগী ইথৌদাং ওইজগে পূন্সিগী।
পেন্নাইদেদা য়েঙজরিমখে নিঙোলনা
লৈরাং নংবু নুংশিবী মপু মাগী মকাদা,
লুকমাই পোলাং থন্না লৈহাপ্তুনা লৈতেংজবা
ঙমহনবীয়ুকো কৎচবা শোয়ফদনা নখুয়াদা।

– রাজকুমারি মীনা

### ফার্ষ্টকাদু তানিংখিদ্রেদা

মূক্লাদা কাঙজৈদা
চেঙ্গোংদা মাঙজোংদা
য়ুবী লাকপীদা করিদা
হুয়েল লানফম লানয়াইদা
শয়েং পাম্বোম লেঙঙাবদা
লম্বা লৈরমদে হায়নৈদা।
পীকচরসু পীকস্নানি
নেস্নেল ইন্টর্নেস্নেল লেবেলদা
শান্নরোয় কয়ানা ঐখোয়গী
মীকোক থোঙলকপদো নুঙাইখি।
হন্দক্কী মতাং অসিদা
কোবিদকী লাম্হেং অসিদা
মালেমগী থাক্তা ইন্দিয়ানা
ফার্ষ্ট তাখৎলকপসিদি শিবা-নাবদা
কাংশি য়ৈনিংদে পুখম থিন্নিংদে
মৈরা থান্নিংদে কৈমত্ত হৈনিংদে।
অদুগসু মৈত্রবাকসিদা
জর-জর, সৎ-সৎ হেনগৎলক্লি
পোজিটিব ওইবত নত্তে শিবসু
অৱাং-নোংপোক লমদমসোমদা
ফার্ষ্ট কাইদুদি তানিংখিদ্রেদা সিদি।

– কৈনাতোম্বী চনু

# মীওইবগী পূন্সি অমসুং চিঞ্জাক

শগোলশেম ইন্দ্রমনি

*অঙাংনা থদোকপদি "গ্রেস্ত্রীক ইরিতেসন" দগী লাকপনি। পুক্তা অশাবা কোমেন্তেসন ২/৩ লক নুংথিলদা তৌবীয়ু। অদুগা চনীংদা ঈশিং অঙৈংবা পেক তৌদুনা অয়ুক অমসুং নুংথিলদা থম্বীয়ু। চোৎনা থোম্বা ফি অদু অকংবনা য়োমশিনবীয়ু। কংবা ফাওবা অদুম লৈজবা য়াই। নুংঙাইত্রগা পুং ১/২ দা লৌথোকপীয়ু।*

## অঙাংনা কপ্পা

অঙাংনা কপ্পা মখোল তাদ্রবা ইমুং অদু নোরোক্কা চপ মান্নরবা ইমুংনি হায়নৈ। অওইবমক মপা-মমা হায়বসি মচা-মশুগীদমক্তা লৈবনি হায়বসু কায়দে। কপ্লকপা খোঞ্জেল অঙাংগী মশাগী নুংঙাইবা নুংঙাইতবা খঙনবা মিটিরগুম্বনি। ঙে ঙে হায়না লেপতনা কপলবদি খোম লাম্লবনি।

ঙে ঙে হায়না অয়ুক কপ, অমুক লেপ তৌরবদি মফি মরোন, নীংথা চোৎলবনি, ফি হোঙদোকপিয়ু। মখোঙ কাওনা কপ্লবদি মবুক থিন্নবনি। মমিৎ মপী তানা কপ্লবদি মকোক চিক্লবনি। খঙকপ কপ্লবদি ককচেংগুম্বা অমনা চিকপনি। মদুদা খোম ইনশিল্লবদি কয়াদা শোক্কদবা খন্থবিয়ু।অঙাংদা পীজবা তোং শাগৎনবা চিঞ্জাক প্রোটিনশিংগী মনুংদা শানা খ্বাইদগী হেন্না খোইরীন্দা পথ্থ-পুমথহল্লি।

অঙাং চাউখৎনবদা শঙ্গোমগী প্রোটিনদগী শাদা য়াওবা প্রোটিন্না করিসু হেন্না ফবা নত্তে। চাউখৎপদা মরু ওইনা হকচাংগী অরদম্বা পুগদৌরিবা শরূ শানবা মিনরেল সোল্ট অদু শঙ্গোমদগী মানা য়াম্না তাথনা শাদা য়াওই। চহি অসি শুদ্রিঙৈদা শা পীজবা তম্লবদি শা চাবদা হাউমনখিবনা শঙ্গোম থকউ হায়বা খক য়ারোই, খুদোংথীবা থোক্লক্কনি। হোঙলবসু তাঙলবসু শঙ্গোমদা শিজিন্নবীয়ু। শঙ্গোমদগী হেনবা অঙাংগী তোং শাগৎনবা চিঞ্জাক অতোপ্পা অমা লৈতে।

## খোমনৌবীগী চিঞ্জাক

খোমনৌবীশিংনা মহৈ-মরোং অমসুং হৈ মরাং কায়না চাগদবনি। মহাও-ময়াই কাবা তিলহৌ অমসুং চনম মরু-মরাং থাদোক্কদবনি। চা, কোফি, য়ু, বিয়ার, আচার, অমেৎপা, অথুম-অহাও কোংগ্রেং চারোইদবনি। শাদি মখল মখা অয়াম্বা অমসুং মহিক মতাং য়াওবনা খোইরীন্দা মখল-মখা অয়াম্বা হূ পোকহল্লি। মাদুমক্লা মমা-মচাগী হূ চেনবা লায়না লাক্কনি।

খোঙ ফজনা হামদোক্লবা মশিং-মরাং য়াওবা পোৎ চাগনি। খ্বাইদগী ফবা চিঞ্জাক – হঙ্গাম, কোবী, য়েন্দেম, পালংশাগ, সলাদ, গাজর, বীট, হৱাই মকুচাবী, এপল, হৈবোং, কমলানি। মদুগা ব্রান খরা হাপচিনবীয়ু। হৈ মহী অয়াম্বা কান্নে। চাক চাবা খুদিংগী অমসুং অয়ুক অঙনবদা অমুক খোঙ হামদোকপীয়ু। মাংবা য়াদ্রগা ফা: ৮০° গী ঈশিংগী এমেনা লৌবিয়ু।

মহাওগী চাং অসি গী, মাখন, য়েরুম, শঙ্গোম মপাল, লৈবাক-হৱাইগী অশেম্বা বট্টর চপ্তুণ হেনগৎকদবনি। অদুগা প্রোটিন্না পুত্ত্বাণ হেনগৎকদবনি। ব্রান খৈরোই অমা চরা খুদিংগী চাগদবনি।

খোম্ থোক্তুগা মোল্ট-সুগর, হৱাই ভেটমিক, গেহু তকখাইবা, ঈশিং ফজনা থকপা, হৈ মহি থোকপা কয়া চাবা শঙ্গোম খরা থকপনা থোক্কনি। মথক থংবা য়াঙগী শরুক লেংবান লেংজুম নম-নান্দুনা অফা-অপুন কোমথোকহল্লু। বাদাম, লৈবাক হৱাই "মোল্টেদ নটস" অমসুং প্রোটোজ শিজিন্নবা খোম থোকহল্লি। "মোল্টেদ নটস" না খ্বাইদগী খোম থোকহল্লি হায়না ডা: হুৱলরনা হায়।

## থগোকপা

অঙাংনা থদোকপদি "গ্রেস্ত্রীক ইরিতেসন" দগী লাকপনি। পুক্তা অশাবা কোমেন্তেসন ২/৩ লক নুংথিলদা তৌবীয়ু। অদুগা চনীংদা ঈশিং অঙৈংবা পেক তৌদুনা অয়ুক অমসুং নুংথিলদা থম্বীয়ু। চোৎনা থোম্বা ফি অদু অকংবনা য়োমশিনবীয়ু। কংবা ফাওবা অদুম লৈজবা য়াই। নুংঙাইত্রগা পুং ১/২ দা লৌথোকপীয়ু।

চাক নৎত্রগা খোম তপনা থকহন-চাহল্লু। পুক অমসুং চনিং নোইবা নানবগুম তৌবিয়ু। খোঙ হাম্বা য়াহল্লু। এপল ঙাল্লগা পীজবা, কমলা মহী পীথকপা মোল্ট সুগার, কিসমিস চামথোক্লগা পুং চচ্ছ্র তীংলগা নোইখায়রগা মহী পীথকপীয়ু। মখোঙ অদুম হামজরক্কনি। ঈশিং অশাবা পীথক্লগা খৌনাওদা খুদোনবী থিংজিল্লগা ওথোকহনবা য়াই। খরা চাউবা অঙাং ওইরবদি মথক্কী অসিনা ফৎত্রগা ষ্টোমাক ত্যুবনা ষ্টোমাক চামথোকহল্লু।

*কর্সি ঃ স্নেহা পব্লিকেসন্স*

# নিলোড মৃনাল্ড গী *ডার্ক হোর্স* – ৩৪

মনিপুরীদা হন্দোকপা

ডা. রাজকুমার মোবী সিংহ



"পায়ল ঈশৈ অমতা শকউ, প্লিজ।" রায়সাহবনা অঙাংগী মতৌগুম্না পায়লদা নিংঙাই তৌদুনা হায়রকই।

"অস… তল্লিদা। মফমসিদা চুরুট মনম নম্মী, নখোয়বু চুরুট থকপগা য়াওনব্রা?" পায়লনা ময়ামদা য়েংলগা হংলকই। পায়ল মৈখূ হৈনদবা মাল্লি হায়দুনা ময়াম মখোয় মশেল অমনা অমবু কিরুপ কিরুপ য়েংনৈ। অমসু অমসু ময়াম থক্তে হায়দুনা লোইনা লৈথোক্লে। অদুবু মনোহরদি ৱাফমসি লোইনা খংলি।

"পায়ল মফম অসিৱাইদা চুরুট কনা'মত্ত থক্তে।" সন্তোসনা ময়ামগী মহুৎ শিন্দুনা পায়লদা হায়রকই।

"ফরে অদু ওইরবদি ঐ ইথন্তা থকপা তারেদনা। মনোহর নঙদি থক্লোইদ্রা?" পায়লনা মশাগী বেগতগী অলত্রা মাইলড চুরুট মচৈ অমা পুথোরক্তুনা হায়রকই। খঙহৌদা সমুদ্র ময়াইদা মৈ চাকখৎলকপগুম মহাক্কী মতৌদুদা ময়াম পুমঙক ঙক্লরম্মী।

"ঐ লাইটর য়াওরমদরে। কৃপা মৈখেৎ অমুক্তা পীয়ু প্লীজ।" পায়লনা করিসু নাচুংদনা হায়রকই।

ঙাইহাক্তুদা রায়সাহব ময়া কাদুনা লৈ। মহাক মথবাক য়ৈদুনা মৈখেৎ লৌথোক্লুই। মহাক্লা মৈখেৎ অদুবু খেৎতুনা পায়লগী মচিনবান ময়া চঙশিন্দুনা চুরুট চমখৎলী। মহাক্লা চুরুট চম্বদি পোদোলগী বম্বুলাদা মৈনা চুরুবগা চপ হেক মান্নরা থোক্লে। পূম্নমকসে উরুবদা সন্তোসতি মরোলগা অমত্তা থোকখিদ্রে। মঙোন্দদি য়াম্না অঙকপা হায়বদু ওইরে। নুপী অমনা মহাক্কী মনাক্তা অসুক নক্লা চুরুট থকপা উবা অসি মহাক্কী মপুন্সিদা মসিনা অহানবনি।

"মসিদবু ময়ামদা অমুক করি লোৎখিনি। মেদামদি বিয়ার অমসুং য়ুসু থকই। ময়াম পুথোরক্লো, করিগী অমুক লোত্তুনা থল্লিবনো? লাক্লো খরা থুনা থক-চা তৌরসি। ঙাইহাক লৈরগদি মহাক অমুক থিল্লু হায়রক্লনি।" মনোহরনা মশাদা খজিক নুংঙাইতবা অমগা লোয়ননা হায়রকই।

মফমদুদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক ঙাইহাক্তুদা তৌফম খঙদদুনা লৈনৈ। ঙাইহাক্কী মমাঙদা গুরুনা ইংলিস শাদুনা ঐ মঙাইরে হায়না তৌজরম্বা কয়াদো হৌজিক্তি কাচিন অমদা তুম্পক তাশীন্দুনা ফম' লৈখ্রে। ভরতকী ইংলিস মেডিয়মগসু স্বাইসিদদি পুমচাই চাইরে। বিমলেন্দু চৌক্রি অমদা তূমিন্না ফমদুনা লৈ। পায়লবু হান্না পিজ-পিথক তৌদুনা চৎহনখিসি হায়দুনা মখোয় মশেল ইঙ্গিৎ তৌনৈ। নৎত্রবদি মখোয় পায়লগী মমাঙদা ইকাই-হঙ্গোই তৌদুনা লৈরনি খঙলে।

রায়সাহবনা ফমুং মখাদগী বিয়ারগী কার্টুন পুথোরক্লে। হেক পুথোরকপগা পায়লনা মদুদগী বিয়ার বটল অমা লৌদুনা গর-গর থকচিল্লি। মতুংদা মহাক্লা বোদকা লৌদুনা মশা মতোমতা পেগ অমা অনী শেল্লগা থক্তোক্লে। ময়াম তূমিন তূমিন্না মহাকপু অদুমক য়েংদুনা লৈনৈ। রায়সাহবসু মহাক্লা হায়রক হায়রকপা মতুং ইন্না ঈশিংগা বরবকা য়ান্নবগী থবক তৌরি। পূম্বায় অমা চূপ্না থক্লবা মতুংদা পায়ল চৎলগে হায়দুনা হৌগৎলক্লে। মমান্নবা ময়াম্না মহাকপু থিন্দোক্লনবা মশা মশাগী ফম্ফমদগী ফূক ফূক হৌগৎনরকই। রায়সাহবনদি মমান্নবা ময়াম্বু লোইনা চৎহনখ্রগা পায়লদংদি লৈহৌহন্নীংবনি। পায়লনা চৎলমদাইদা রায়সাহবতা অমুকসু স্পেসিয়েল থেঙ্কস অমসু তৌরম্মী। রায়সাহবনা চেনস্নিল্লুরগা ডাইরি অমা পুথোরক্তুনা হায়রকই,

"পায়ল, মসিদা নহাক্কী ওটোগ্রাফ অমদি নহাক্কী ফোন নম্বরগা অমুক্তা ইবিরম্মু।"

রায়সাহবনা মসি হায়রকপা তাবদা হন্দক্লা অমুক পায়ল ময়া কাদুনা ঙক্তুনা লৈ। ফোন নম্বর অমখক নিবগীবু অসুম্না থাইনগী মওং তৌরক্কনি হায়বসি মহাক্লা খল্লুদে। পায়লনা ডাইরিদা নম্বর ইরম্লে। পায়লনা নম্বর ইরম্বা উবদা ভরতনা খুদক্তা চংশিন্দুনা ডাইরিদগী নম্বর লৌদুনা মশাগী ফোনদা সেব তৌশিল্লি।

"মেদাম ঐ ভরতনি। ঐ ইংলিস মেডিয়মনি। মেদাম ঐ কোল তৌজরক্কে।" ভরতনা তুংদগী তান্নদুনা লাউরকই। পায়ল সিড়ি কুমথখ্রে। মহাক ভরতনা লাউবা তাখিবরা তাদবরা হায়বা খঙদরে। মনোহর অমদি সন্তোস মখোয় অনীনা পায়লবু থিন্দোরকই। পুল্লপ চৎমিন্নবদগী সন্তোস মনিংদা অমুক-অমুক তপথহৌদুনা পায়লবু য়েংই। মহাক্লা অসিগুম্বী নুপী অমা উবা অসি মঙোন্দদি ঙসিনা অহানবনি।

"মসিগী নুপী অসিদি বোল্ড নত্তে, পুরা ক্লিন বোল্ডনি হে।" সন্তোসনা মশা মতোমতা শোঞ্জে।

১৮

য়ু পি এস সি গী প্রিলিমগী ফোর্ম থাবা হৌনরে। পি টি গী ফোর্ম থারকপা হায়বসি মুখর্জি নগরদা লৈবা মহৈরোয়শিংগীদি এনাউন্সমেন্ট অমা তৌবগুম্বনি। মসি হেক লাউথোরকপদগীদি মহৈরোইশিং তূম্বা-চাবা খঙদবা মখৈ লাইরিক পানৈ। মসিনা মশা মশাদা লাইরিক কন্না পাবগী তাঞ্জা অমা ফংবনি হায়না লৌই। পি টি দা হঞ্জিন-হঞ্জিন মায়থীরবা মীবু ওইগেরা নৎত্রগা ইন্টর্ভিয়ু চঙলুরবা মীবু ওইগেরা মখোয় পূম্নমক চপ মান্নরা থৱায় হকচাং য়াওনা লাইরিক হোৎনৈ।

ফোর্ম ফিল-অপ হেক তৌবদগীদি অরাপ্পদা চাক্তারুবা উচেক্লা মশা মশাগী মহুমদা হঞ্জিন্নরকপগুম বত্রাদা লৈবা মহৈরোয় খূদিংমক মাগী মাগী কাদা হঞ্জিন্নদুনা লাইরিক পাবা হৌনরে। হৌজিক বত্রাদা উরিবা মীওই খরা অসিদি হন্দক চহীগী পরিক্ষা থাররোইদবা কাংবুনি। ফোর্ম ফিল-অপকী মতুংদগীদি কোচিংগী খুত্তাক্তসু অহোংবা কয়া লাক্লে। মকরসংক্রান্তিদা কাংসুবী অমদি য়াওশঙদা গুজিয়াগী তোঙানবা ষ্টোল অমা হাংদোকপগুম পি টি তৌরমদাইদা কোচিংগী টেষ্ট সেরিজনি হায়বা স্পেসিয়েল মিথাই অমা লোঞ্চ তৌই।

ইরাই নুমিত্তা অনৌবা ফিল্মগী অহানবা শোদা মীওই কয়ানা ইন্নবগুম মহৈরোয় খরদি অহানবা নুমিত্তা ফোর্ম ফিল-অপ তৌহৌনবা হোৎনৈ। মনোহরসু হায়রিবা থৱায় য়াউবা মহৈরোয়শিং অসিগী মরক্তগী মীওই অমনি। মনোহরনা সন্তোসপু ফোনদা কৌদুনা মখোয় অনী চুমদ্রিং য়ু পি এস সিগী মেন ওফিস শাহজহাঁ রোদতা লৈবা ধোলপুর হাউসতা থেংনরে। মহৈরোয়শিং মফম অসিদা লাক্তুনা ফোর্ম মেনবদা মশাদা তোঙানবা ফিলিং অমা ফাওজৈ। মখোয়না য়ু পি এস সিগী মেন বিল্ডিং অসি উবদা মখোয় মশেল হায়নৈ, মসিদনি ইন্টর্ভিয়ু তৌগদৌরিবসে। মসিনি ঐখোয়গী পস্থুংফম। মসিগী ৱাফম অসিনা মখোয় মশেল অমনা অমদা থৌনা হাপ্পবদৌনা থোকই।

মখোয় ফোর্ম ফিল-অপ তৌবা লোইরগা মনাক নকপা দুকান অমদা চঙশিন্দুনা ফ্রুট চার্ট অমদি পাৱভাজি চানৈ। মসিগী মতুং মশা মশাগী কাদা হন্নরক্তুনা লাইরিক পানৈ। মসিনি মমাঙঙৈদগী মফমসিদা চৎনরক্লবা হায়ববু। মহৈরোয় খরদি মফমদুদা মমান্নবশিংগা নুমিৎতুমা নুংঙাইথোকপসু য়াওই। দিল্লিদা হেক লাকপদগী কিংসৱে কেম্প ফাউবা থোক্লদবা মহৈরোয় কয়া অমসু নুমিৎ অসিদা ফোর্ম ফিল-অপ তৌবা লোইরগা ইন্দিয়া গেট ফাউবা কোইথোক্লবসু য়াউই।

মনোহরগা সন্তোসকসু ফোর্ম সবমিত তৌবা লোইদুনা মপান থোরক্লে। মতমদুদা পায়ল নুপা অমগা ফোর্ম ফিল-অপ তৌমিন্নরম্বা থেংনৈ। মনোহরনা মহাকপু কৌরুদ্রে। মখোয় অনী কৌন-ঙাঙনরক্তবা থা অমা ফারক্লে। পায়ল চহী খূদিংগী নুপা অমমম শিল্লগা ফোর্ম ফিল-অপ তৌমিন্নে হায়বসে হৌজিক্তি মনোহরসু খঙলক্লে। মমাঙগী চহিদনা মহাক্লা মনোহরগা পুন্না ফোর্ম ফিল-অপ তৌমিন্নখিবনি। সন্তোসনসু পায়লবু উরে। সন্তোসনা মনোহরগী নুংঙাইতবা খঙলে। মখোয় অনী তোঙানবা ৱারী অমা হৌদোক্তুনা শান্নমিন্নৈ। মমৈথংদা মখোয় অনী মুখর্জি নগরদা অমুক হল্লক্লে।

মুখর্জি নগর হৌজিক্তি মৈথক্তা ফল্লে। কা খূদিংগী জ্ঞানগী মৈখূ কাখৎলক্লে। ময়াম মশা মশানা পামজবা মওংদা কন্না হোৎনজরি। গুরুগা বিমলেন্দুগা কন্না হোৎনমিন্নরি। সোমদনা রায়সাহবকা ভরতকা পূন্না পামিন্নরি। মুখর্জি নগর, নেহরু বিহার, গান্ধী বিহার, ইন্দিরা বিহার, গোপালপুর, ইন্দিরা বিকাশ, নিরংকারি কোলোনি, ৱাজিরাবাদ, পরমান্দ কোলোনি, রেডিও কোলোনি, বিজয় নগর, খৃষ্টান কোলোনি হায়রিবা মফমশিং অসিগী অকোইবা ফিভমশিংদা হৌজিক্তি ওক্সিজেন্দগী ফেক্ট মশিংনা হেন্না উবা ফংলে। অকোয়বগী ফিভমশিংদা নাইট্রোজেন, কার্বোনদাইওক্সোইদ কয়াগী মহুত্তা হৌজিক্তি জিওগ্রাফি, হিষ্ট্রি, ফিলোসোফি অমদি সোসিওলোজিগী ক্বেসন অন্সার ঙাক্তা ওইনা তাউবা উরে। পূন্নমকসে হৌজিক মচি-মচিদা কন্না তৌনরিবা টেষ্ট সেরিজ কয়া অসিগী মহৈননি।




***Social Distancing***
**Hilenbi Langpoklakpam**
**Class II, Sec -A**
**Regular English High School**




***Indian National Flag***
**L. Premabati**
**Class V**
**Shantilata Memorial School**




***Garden***
**L. Sanamarik**
**Class - VII**
**Shantilata Memorial School**




***Moon Light***
**Sanalembi**
**Laishram**
**Me**[redacted]